HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা লমশাংগী ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমগী য়োইরেলশঙদা নুমিৎ মরিনি চঙনা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল ওফ ফোক এন্দ ত্রেদিসনেল ম্যুজিক হৌদোকপগী মৈরা প্রোফেসর কাংজিয়ানা চুখৎপা

থম্মোয় পাউদম : পূন্সিবু হঙ্গৎন'মুক্তং য়েংলুবা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লান কুইমল্লকপসিদি তশেংনা ফরক্কদৌবা মান্দে
অফবা পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইহনসি - ইমা লৈবাকসি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ এদ্যুকেসনবু মিংচৎ লৌনবা হোৎনবীগনু : দেসাম
চীং নিংখায়বদা অমা শিরে, ৫ থীবা খঙদ্রি ☛ লামায় ৮
লামায় ১২ ☛ ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা অল-অমিন লিলোং থোইখ্রে

মালেমদা কংলৈপাকপু মশক তাকপা মশান্নশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হোকিগী শক্লাইরবা প্লেয়র লৌরেম্বম টিকেনদা লময়ানবা ইপুনা অঙম্বা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা



Vol. 48, Issue No. 073 | ইরাই, ইঙাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, June 14, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মণিপুরগী লান : জিরিবামদা মীৎয়েং পূন্নমক থমদুনা পাইশিন্নরে

## জিরিবামদা বোম কাপশিন্দুনা য়ূম থুগাইখ্রে, খাওদা বোম হাপ্লগা থম্লম্লে



জকুরাধোর পার্ট-২দা কুকি টেররিষ্টশিংনা প্লান তৌরম্বা বোম

### জিরিবামদা পোষ্টিং তাবা ডাক্তর ৩ জোইন তৌরমদবদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে, অনৌবা ডাক্তর ৩ য়ুটিলাইজ তৌখ্রে

### হোটেল ১ য়ূম ৩ মৈ থাদোক্লম্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬তা সোইবম সরতকুমার কৌবা মীওই অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীবা মওংদা থাঙনা য়াল্লগা হাৎখ্রবা মতুংদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা খঙহৌদনা মৈৱাইরকখিবা তমথীরবা লানগী মনুংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ হেল্লকপদা বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী জকুরাধোর পার্ট-১, নরায়নপুরদা লৈবা অচোম অজিৎ (৭৭) কৌবা মীওই অমগী য়ূমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিল্লক্তুনা মহাক্কী য়ূম অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। অদুম ওইনমক লাননা মরম ওইরদুনা য়ূম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টরনা রুল ওফ লো লৈহনগনি হায়খিবদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু : জে দি-য়ু



জিরিবামদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জে দি-য়ুগী লুচিংবশিংনা ৱা ঙাঙবা

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চীফ মিনিষ্টরগী এদভান্স এস্কোর্ট পার্টিদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এম্বুশ তৌরকপদগী পর্সনেল অমা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়েংলিঙৈদা মহাক্কী ফীভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা রুল ওফ লো পুরক্কনি অমদি এক্সন খরা লৌরক্কগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু খুদক্তা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না জে দি-য়ু মণিপুর য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্টস্যু ওইরিবা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লান নংলবা জিরিবামদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংদা ঙসি তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লন্দুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চীফ মিষ্টিরনা রুল ওফ লো পুরক্কনি অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী লান নুমিৎ ৪০৭ শুরকপা নুমিৎতা কেবিনেট মীফম্না লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক কেবিনেট সব কম্মিটি শেমখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান লেপ্তুনা চথরকপদগী ঙসি পূন্না নুমিৎ ৪০৭ শুরকপা নুমিৎতা মণিপুর লৈঙাক্কী ঙসি পাঙথোককখিবা কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ৱাথোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং (ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেসদ পর্সন্স) শিংগী রিহেবিলিটেসন অমসুং রি সেট্টলমেন্টগা মরী লৈননা কেবিনেট সব কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

ঙসি নুমিদাং দি আই পি আরনা থোরকপা চেরোল অমদা কেবিনেট সব কম্মিটি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী রুলস ওফ বিজিনেসকী রুল ১৩গী মখাদা শেম্বনি হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না কম্মিটি অসি ৱার্ক্স অমসুং য়াস মিনিষ্টর কে গোবিন্দাসনা চেয়রপর্সন ওইগনি অদুগা ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং রিলিফ এন্দ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

> **কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা অতৈ ৱারেপশিং**
> চয়োল অমগী মনুংদা দি সীশিংনা ঈচাওনা মাঙহনখিবশিংগী এসেসমেন্ট লোইশিনগদবনি।
> খুদক্কী ওইনা ঈচাও মায়োক্ন খিবশিংদা লুপা লিশীং ১০/১০ পীরগনি।
> এ দি সী পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগী মীখলশিং সেপ্টেম্বর অদুৱাইদা পাঙথোক্লগনি।

## কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্নাপোকপীদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে



কাংভাইগী লৌবুক অমদা তারম্বা বোম অমা এক্সপার্টশিংনা পোকখায়হনখিবা

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ইথম মোইরাংপুরেলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা মফম ৪/৫দগী অফবা মখলগী নোংমৈ শীজিন্নদুনা মীতৈশিংদা লান্দারকখ্রবা মতুং ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা য়াইঙংপোকপী পি এসকী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপীদসু বোম অমসুং নোংমৈশিং কাপশিন্দুনা অকনবা লান চথরকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্নাপোকপীগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈবা উয়োক্তগী বোম অমদি নোংমৈশিং মীতৈ খুলশিং তম্না কাপশিল্লকখিবনি। অকনবা এটেক চথরকপদগী খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। কুকি টেররিষ্টশিংনা কাপশিল্লকপা বোম ৪গী মনুংদা ১ লৌবুক্তা তারগা পোকখায়খি। অদুম ওইনমক নাকল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## দেসামনা এস এস এ অমসুং এদ্যুকেসন এসকী লোয়শঙ ছো লোনশিনবদগী থৌমী ৩ পুলিসনা ফাখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** মতিং লৈবা মণিপুরী খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা মহৈরোয়শিংদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহনগদবনি হায়দুনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবা দেসামনা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বীগদবা ওজাশিং লৌবদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী সর্ভ সিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) গী বাবুপড়াদা লৈবা ওফিস অমসুং লম্ফেলদা লৈবা এদ্যুকেসন (এস) দিরেক্টোরেটকী ওফিস ছো লোনশিল্লুবদা থৌমী অহুম পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

বাবুপড়াদা লৈবা এস এস এ লোয়শঙগী ছো ঙসি অয়ুক পুং ১১ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংলগা নোকফেৎ তৌরগা ফমগদবা ওইরবদি চৌক্রি থুদেক্লগনি : মেম্মা

### 'চয়োল অমগী মনুংদা সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহ ট্রান্সফর তৌগদবনি'



**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা নার্কো টেররিষ্টশিংগী লানগী লাল্লোং অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অচৌবা মতেং পাংলি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরে হায়রদুনা ভোটকী মতমদনা কুকিদা স্বিটচ ওফ তৌরগা ভোট লোইরবা মতুংদা স্বিটচ ওন তৌরক্লে হায়না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ফোর পিছকী কনভিনর য়ুম্নাম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## শঙ্গারগদবা টি মিনৌগী জে এন ভিগী বিল্ডিং কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোক্লম্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা মোরে পি এসকী মনুং চল্লিবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগা নক্কনা লৈরিবা টি মিনৌ খুলদা শাবা লোইশিল্লকপদগী শঙ্গারগদবা জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়গী বিল্ডিং পূম্নমক কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোক্লম্লে হায়রি।

বিদ্যালয় অসিগী কমপ্লেক্স অসিগা মায়োক্নবদা য়াম্না নক্না মঙাশুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট অমসু লৈরিবনি। অদুবু মতৌ করম্না বিদ্যালয় অসিগী য়াল্লবা বিল্ডিংশিং মৈ থাদোকপা ঙল্লল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

পাউ অসিনা হায়বদা জে এন ভিগী বিল্ডিংশিং অসিদা বি এস এফকী পর্সনেলশিং দিপ্লোই ...মখা লমায় ৯ কলম ৪

## খদ্রক তৌরগা লমগী নামা পানশিল্লম্বদা চেন্নবা নুপী ৩ য়াওনা মীওই ৬কী মথক্তা চার্জশীট থাগৎলক্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা লম মপু খঙদনা লোন্না নামা পানশিল্লম্মী হায়বা ৱাথোক্কী মতাংদা থৌবাল পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেট্টলমেন্ট ওফিসতা এসিষ্টেন্ট সর্ভে এন্দ সেট্টলমেন্ট ওফিসর ওইরম্বা অমা, মন্দোল অমা য়াওনা মীওই তরুক্কী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী চার্জশীট সী জে এম/থৌবালগী কোর্টতা সবমিট তৌরকখ্রে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ১৫৫ (১২) ২০১৯নি। কেস অসি আই পি সী সেক্সন ১৯৩, ২০৫, ২০৯, ৪৬৮, ৪২০ অমসুং ১২০-বিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা থৌবাল পুলিসনা চার্জশীট ফ্রেম তৌরবা এক্ক্যুজশিংদি থবক্তগী পোখারবা থৌবাল ওক্রমদগী এ এস এন্দ এস ও/থৌবাল-১ মোইরাংথেম গম্ভির অপোকপা লৈখিদ্রবা এম তোম্বা, খাঙবোক অৱাং লৈকায়দগী থবক্তগী পোখারবা এস কে ইন চার্জ মন্দোল খুন্দ্রাকপম ...মখা লমায় ৯ কলম ১

## কুকিশিংনা নম্ফুদা শারম্বা থোংগী য়োৎ পুরকপনি হায়বা বি আর টি এফকী ত্রক ২ মৈ থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কে মোলনোম কুকি খুলদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অথিংবা থম্না থম্না কুকিশিংনা খুল অসি ফাওদুনা চেল্লিবা মণিপুর রিভরগী মথক্তা থোং শাগৎলম্বগী ৱাথোক নেমথখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী চৈরক্তা থোং অসি মপূং ফানা শাবা লোইশিনবদা শীজিন্ননবনি হায়বা য়োৎ ময়াম পুরগা লাকখিবা বোর্দর রোদ টাস্ক ফোর্স (বি আর টি এফ) কী ত্রক অনী খোইশাওনরবা মীয়াম্না মৈ থাদোকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। বি আর টি এফকী ক্রেন অমা অমসুং য়োৎশিং হাপ্লবা ত্রক অনীগা ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এগজামিনেসন থেংথনবা থবক তৌদনবা দি এম য়ুনা মহৈরোয়শিংদা আপীল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসননা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী পোষ্ট গ্রেজুএট মহৈরোয়শিংনা অহুমশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসন ওনলাইন মোদতা পাঙথোক্লবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লি।

অদুম ওইনমক য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমিক কাউন্সিলগী এপ্রিল ১৬, ২০২৪দা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা অহুমশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসন পাঙথোক্কদবা মতম অসি মমাঙ থাগী ২১ অমসুং ২৩দা লেপখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসনগী ফোর্ম ফিল-অপ তৌবগী মতম্না থা অসিগী ৫দা লেপখিবনি। অদুবু মহৈরোয় ৫০০ রোম্না হৌজিক ফোর্ম ফিল-অপ তৌরকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১০দা মহৈরোয়শিংগী দিমান্দগী মতুংইন্না একাদেমিক কাউন্সিলগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## অকাসবানি ইম্ফালগী কেজুএল এসাইনি লৌগদৌরি

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** অকাসবানি ইম্ফালগী নহারোলগী খোঞ্জেলগী থৌরমদা কেজুএল এসাইনি লৌনবগীদমক ফোর্ম থারে হায়না অকাসবানি ইম্ফালগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ঐচ দেবেন্দ্রনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না থবক অসি রেগ্যুলর এমপ্লোইমেন্ট নত্তে। মথৌ তারকপগী মতুংইন্না বুক ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হনফমসু লৈতে, লৈফমসু লৈতে, উচেকনি হায়দুনা পাইনি হায়বসু লৈতে

### হকথেংনবা পাউদম

*চুড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস) :** চহী অমা হেল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওই লিশীং কয়াগী মনুংদা করিগুম্বা লান অসি লোইশিনখিদুনা তংদু লৈতাবা লৈরে হায়রগসু হঞ্জিনফম য়ূম লৈজ দবা, চঙজফম লৈতবা মীওই কয়াসু য়াওরম্লে। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈম্রাম সেদ্যুল্ড কাষ্ট গর্লস হোষ্টেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম



লৌদুনা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবী অঙোম লৈনৌবীসু অমনি।

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওই কয়ানা মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈনীংলবসু মহাক্কীদি হনফমসু লৈতে, লৈফমসু লৈতে, উচেকনি হায়দুনা পাইরগা লৈনি হায়বসু লৈতে হায়না নীংঙমদনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, ঐহাক য়ূম পান্দে। মরম অসিনা ইবুংগী মচা (ঐগীনা ইয়ানুপা) থোকপা অমগা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈমিন্নরক্লি। লাঞ্জেল্লকপা মতমদদি ঐহাক হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদবদা নত্তনা মীগী মতেং য়াওদ্রবদি লেঙ-ওৎপা ঙমদ্রবা ইপ্বা অমা, ইয়ানুপাগা পূন্না ঐখোয় অহুম অমসুং য়ূম পান্দ্রবী ইচে অমগা পূন্না ঐখোয় তরুক লাঞ্জেনমিন্নরকখিবনি।

ইচে অমগা ইয়ানুপা অমগদি মীগীদা থবক শূবা য়াওখ্রে। অদুবু হকচাংগী ফীভম শোইনাইরবা ইপ্বা অদুনা লৈম্রামদা ...মখা লমায় ৯ কলম ১

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: EDUCATION (S) DEPARTMENT

PRESS RELEASE

Imphal, the 13th June, 2024

1. Today a group of people claiming to be students entered the premisesof the **Office of State Project Director,Samagra Shiksha, Babupara and Office of the Directorate of Education-School, Lamphelpat** and vandalized the above Offices, forcibly closed the Offices by driving out staff from their Office rooms using force, hindering the functioning of the above Offices, etc. The Department condemns such unruly act and has reluctantly filed a First Information Report(FIR no.331(06)2024 IPS u/s 186/380/427/506/34 IPC and FIR no.394(6)2024 LPS u/s 451/380/186/506/120-B-IPC & 3 PDPP Act dated 13/06/2024) taking into view the nature of the violence involved.
2. The Government takes the matter with utmost seriousness as students, who are the future of the State, are involved in such violent act leading to the destruction of Education-School Department Offices/public property, hindrance in the functioning/performing of duty by the staff by forcibly driving them out of the offices and locking of offices, etc. Resorting to such violent agitation for **any request/demand** by any **person/organization** is a **deplorable act.** Further, since such act is criminal offence and legal action taken by the authority, can also seriously affect the future of such students.
3. It appears that the reason for vandalizing the above mentioned offices is related to the ongoing recruitment of **Pre-Primary teacher** by the Department. It may be mentioned that for the same matter the Government had already issued a **press note on 24/03/2024** clarifying the steps being taken by the Government in connection to the above recruitment and the importance of recruiting the **1140** youths for the post of Pre-Primary Teacher under the Samagra Shiksha Scheme.
4. The above mentioned press note dated 24/03/2024 also clearly mentioned that the recruitment is through the **Centrally Sponsored Scheme** namely **Samagra Shiksha** and the **funding is 90:10** (Centre:State) and if recruitment process is not done than the **fund will lapse** for our Manipur State.
5. The complaints from few student organisations regarding Qualification of Pre-Primary Teachers in the recruitment notification was also clarified in the press note dated 24/03/2024 stating that the **relaxation of Qualification** mentioned in the notification was **due to non-availability of training Centres** in the State which offers the requisite Courses for Pre-Primary teachers viz., Diploma in Nursery Teacher Education/ Pre-School Education/ Early Childhood Education Programme (D.E.C.Ed) of duration not less than 2 (two) years or B.Ed. (Nursery) recognised by NCTE. It was also mentioned that the relaxed qualification mentioned in the notification for recruitment that those candidates, who fulfil the requisite qualification as per NCTE guidelines **will be recruited first.** If there are **vacancies after that, then only** candidates with relaxed qualifications will be considered.
6. The Government hereby requests to all concerned to **shun violence** and take step in a **reasonable, democratic and peaceful** way to resolve any issue by communicating with the Department. The Department has been working for the **betterment** of all concerned and is always **available to co-operate** with any person/organization.

**Sd/- (Elangbam Sonia)**
Joint Secretary, Education-S,
Government of Manipur

HL-B/8857/14